**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-08-2025)**

**রাজ্যপাল (এল) ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎতুনা তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংগা উন্নখ্রে। রাজ্যপালনা কুকি-জো কাউন্সিলগী লুচিংবশিং অমদি মহৈরোই লুচিংবশিংগা উন্নখি হায়রি।

উন্নবা অদুদা কুকি জো কাউন্সিলগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা দাবী য়াওবা চেরোল অমা রাজ্যপালদা পীশিনখি। কুকি জো কাউন্সিলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-চুরাচান্দপুর দিপ্যুতি কম্মিস্নার ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কুকি জো কাউন্সিলনা মরুওইবা পোইন্ট ১৬ পুখৎখি হায়রি। মদুগী মনুংদা কাংপোকপী অমসুং চুরাচান্দপুরদা ইলেক্ত্রিসিতিগী কেপাসিতি হেনগৎহনবা, লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহনবা, চুরাচান্দপুরদগী চান্দেল অমসুং কাংপোকপী শমহন্নবা মরুওইবা লম্বী শেমগৎপা, মনিপুর হায় কোর্টতা ন্যুত্রেল ওইবা এদভোকেট জেনরেল হাপ্পা, চান্দেল জিলাদা ন্যুত্রেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমা থম্বা, মনিপুর পব্লিক সার্ভিস কমিসনগী পরিক্ষা সেন্টর কুকি জো জিলাশিংদা থম্বা, মোরে কলেজ অমসুং তেংনৌপল অমদি চান্দেলদা লৈরিবা সেমকো কলেজগী ষ্টাফশিংগী থা তরানিগী এরিয়ার পীথোকপা, মোরেদা হকশেলগী ফিভম ফগৎহনবা, চীংগী জিলাশিংদা হেলিকোপ্তর সার্ভিস লৈহনবা, চান্দেলদা চেল্লিবা ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা থোং শাবগী ৱাফমশিং য়াওরি।

চেরোল অদুনা হায়-কুকি জো কাউন্সিলনা পুখৎলিবা ৱাফমশিং রাজ্যপালনা মুন্না তাবগা লোয়ননা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীখি।

**কাউ (এল) ঃ** নোংমগী ওইবা রাজ্য থাক্কী ৱার্কশোপ অমা সেন্ট্রেল এগ্রীকলচরেল য়্নিভরসিতিগী কলেজ ওফ এগ্রীকলচরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি য়ুনিভরসিতি অসিগী এ.আই.সি.আর.টি. ফোরেজ ক্রোপস এন্দ য়ুটিলাইজেসনগী কাংবুনা শিনবনি। থৌরম অসিগী হীরমদি-'ফোদর রিছোর্স দিবলপমেন্ট প্লান ফোর মনিপুর' হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্য সরকারগী ভেটিরিনারি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরিগী সেক্রেটরি-মাইকেল অচোমনা হায়-লমদম অসিদা লৈরিবা ষ্টেকহোল্ডর, লৌমী, সাইটিষ্টশিং অমসুং সরকারগী মরক্তা কুপা তান্নদুনা শা-ষনগী অফবা মখলগী মচিঞ্জাক হেন্না পুথোকপা ঙমগনি। লৌরোক মতুংদা শা-ষনগী মচিঞ্জাক হেন্না পুথোকবা করি পাম্বে শিজিন্নবা য়াবগে হায়বদু হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মখা তানা শঙ্গোম পুথোক্লিবা মীওইশিংবুসু শা-ঙা য়োকপা অমসুং শা-ষনগী মচিঞ্জাকশিংগী মতাংদা সরকারনা পীথরিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা লৌনবসু মহাকা আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী কে.ভি.কেশিংগী মকোক থোংবশিং, আই.সি.এ.আর. সাইন্টিষ্ট, লাইন দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**অঙ্গনৱাদি (এল) ঃ** পোসান ভি পরাইয়ি ভি হায়বসিগী মতাংদা অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিংগী ওইবা নুমিৎ হুমনিগী ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টর-ককচিংদা চখরি।

রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী মখাদা ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিবলপমেন্ট সাভির্সেস প্রোজেক্ট-ককচিংদুনা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা অঙাংদা মচি ওইবা চিঞ্জাকশিং পীজবা, মখোয়বু

মশা-মউ ফনা থম্বা অমদি মীয়াম শরুক য়াহনবা হায়বসিগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। নুমিৎ হুমনি চথরকপা প্রোগ্রাম অসি হয়েং লোয়শিনগনি।

মরক অসিদা, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-ককচিংনা শিনদুনা চাইল্ড প্রোটেক্সন এন্দ ত্রেফিক্কিং হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইব লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং সেকমাইজিন ময়াই লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি সেকমাইজিন গ্রাম পঞ্চায়টকী ভিলেজ লেবেল ফেদরেসনগীদমক্তা পাঙথোকপনি। মদুদা, ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন মঙাগী মীওই ১৪০ রোম শরুক য়াখি।

**নিংথৌখোং (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা ঙসি নিংথৌখোংদা লৈবা কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্টরদা চৎতুনা নৌনা শাবা বিল্ডিং অসিগী ফিভম অমসুং থবক থৌরমশিং য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা লোয়নখিবা জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: এল. রাইচন্দ্রনা নৌনা শাবা বিল্ডিং অমসুং হেলথ সেন্টর অসিগী ফিভমশিং অমদি ষ্টাফকী মতাংদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারদা মরিক চুমা পাউদমখি।

দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা মফম অদুদা শেমগৎ শাগৎলিবা থবকশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবসু পাউতাক পীখি।

**সেনাপতি(এল) ঃ** হায়ৱৈশিংদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎনবা অমসুং লম্বীশিং অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌবা মীওইশিং শাফনবগী পান্দমদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা রিমোট মোনিটরিং য়ুনিট (আর.এম.য়ু) অমা সেনাপতি এস.পি. ওফিসকী কন্ট্রোল রুমদা হাংদোকখ্রে।

ঙসি হাংদোকখিবা আর.এম.য়ু. অসি মাও পুলিস ষ্টেসন, টি.বি.আই.পুলিস ষ্টেসন, মরাম পুলিস ষ্টেসন অমসুং সেনাপতি পুলিস ষ্টেসনগী

মনুং চন্না চৎলিবা হায়ৱে পরিংশিংদা খিল্লিবা সি.সি.টি.ভি. কেমেরা ১২ গা লিঙ্ক তৌদুনা থমলে। থৌরাং অসিনা পুলিস ওফিসারশিংনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন অমদি চিংনবশিং থিদোকপা, ত্রাফিক মেনেজমেন্ট নীংথিনা পাঙথোকপা অমসুং ইমর্জেন্সিগী ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা চাউনা মতেং ওইরগনি। ঙসি হৌদোক্লিবা থৌরাং অসিনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা জিলা অসিগী নাগরিকশিং অমসুং হায়ৱেদা চৎলিবা মীওইশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা টেকোলোজিগী মতেংগা লোয়ননা থবক পায়খৎলকপগী খোঙথাং অমনি।

থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা হায়ৱেশিং পুং ২৪ চুপা য়েংশিনবা ঙম্লগনি। করিগুম্বা মতমদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা পুলিসশিং মফমশিং অদুদা খুদক্তা চংশিনবা ঙম্লগনি। হায়ৱে অসিদা চৎলিবা ত্রান্সপোর্টরশিং অমসুং মীয়ামদা অশোয় অঙাম য়াওদনা চৎহনবদা হেন্না খুদোংচহল্লগনি।

**এরেষ্ট (এল) ঃ** সেনাপতি পুলিসকী স্পিসিএল ওপরেসন টিম অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং নেসনেল হায়ৱে টুগী টি-খুল্লেনদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ডব্লিয়ু.ৱাই.টেব্লেট কিলোগ্রাম অহুমরোম পুদুনা লাকপা মীওই অমা ফারে।

ফাগৎলবা মীওই অদু সেনাপতি পুলিসতা মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক শিন্নখ্রে।

**ত্রান্সজেন্দর(এল) ঃ** ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙথাং অমদা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা ত্রান্সজেন্দর অমগী ওফিসিএল দোকুমেন্টশিং নুপীনি হায়না ওনবদা অয়াবা পীখ্রে। হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী খোঙথাং অসি অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনদি অহানবনি।

ডা: বিয়োনসি লাইশ্রমনা থাংগৎলকখিবা কেস অমগী হিয়ারিং ঙসি হায়

কোর্ট ওফ মনিপুরনা তাখি। ৱাকৎ অদু তারবা মতুং কোর্টনা পীখিবা রাইগী মতুং ইন্না ডা: বিয়োনসি লাইশ্রমদা বোসেম, কোসেম, মনিপুর য়ুনিভরসিতি অমসুং মেদিকেল কাউন্সিলনা অনৌবা এদুকেসন সার্টিফিকেট পীবগা লোয়ননা মহাক্কী হান্নগী মমিং বোবোই লাইশ্রম হায়বগী মহুৎতা বিয়োনসি লাইশ্রম হায়না ওন্থোকপগা লোয়ননা মহাক্কী জেন্দরবুনা মেলগী মহুৎতা ফিমেল হায়না ওন্থোক বা রাই পীখি। হায়রিবা সার্টিফিকেটশিং অসি ট্রান্সজেন্দর এক্ট ২০১৯ গী সেক্সন সিক্স অমসুং সভেনগী মতুং ইন্না থা অহুমগী মনুংদা পীগদবনি হায়রি।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা ঙসি রাই তাদুনা ট্রান্সজেন্দর অমবু নুপীনি হায়না শকখঙবদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা ডা: বিয়োন্সি লাইশ্রমনা হায়-মহাকা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকখিবা অদু ঙসিদি কোর্টনা নৌনা রাই তারকপা অসিনা মায় পাক্লে হায়না লৌই। মহাকা হায়-মতিক চানা ক্বালিফাই ওইরবা ট্রান্সজেন্দর কয়া অমবু হন্থনা য়েংবগী চৎনবী অমা লৈরি। সমাজনা মখোয়দা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিনা মখোয়না থবক শুরিবা মফমশিংদা শিংনবা কয়া অমা মায়োকরি।

**নোং (এল) ঃ** ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী পাউ মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা হয়েং অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। হায়রিবা ফিভম অসি লাক্লিবা নোংমা নিনি অসিদসু অহোংবা লৈরোই।

পাউ অসিনা হায়-ঙসিসু রাজ্য অসিগী জিলা পুমমক্তা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি।

মরক অসিদা, লৈবাক্কী কোনুং দিল্লি য়াওনা মহারাস্ত্র, তেলঙ্গানা, করনাতক অমসুং জম্মু কাশ্মিরনচিংবা মফম কয়াদা পাক্তকনা নোং চুবগা লোয়ননা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অপনবা থোক্লে। মুম্বাইগী মফম কয়াদা পুংদা কিলোমিটর ৪৫ দগী ৫৫ ফাওবা য়াংনা নুংশিৎ শিৎপগা লোয়ননা কন্না চুগনি হায়রি। তেলঙ্গানাগী অৱাং অমসুং নোংপোক থংবা জিলাশিংদা নোং কা হেন্না চুবদগী ঈশিং ঈচাওগা মান্নবা ফিভম মায়োকরে। অকুপ্পা মফম কয়ামরুম

ঈশিং থুমজিনখ্রে।

লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা চেল্লিবা যামুনা তুরেল খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে। মুখ্য মন্ত্রি-রেখা গুপ্তানা যামুনা বজারদা লৈরিবা মফমশিং চৎতুনা য়েংশিনখি অমদি ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরিবা মীয়ামগা ৱারী শান্নখি।

**কাংপোকপী (এল) ঃ** ৱাইল্ড এনিম্যেমেলস ওফ মনিপুর ইন-দিয়ার নেচরেল হেবিটেদ হায়বা হীরমদা রাজ্য থাক্কী ৱাইল্ড লাইফ ফোটোগ্রাফি কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্কদৌরি।

রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শিনদুনা পাঙথোক্কদবা চাংদমবা অসিদা কাংপোকপী জিলাদা লৈবা থৱায় য়াওবশিংনা মরী লৈনবা ফোর্ম ফোরেষ্ট বিভাগকী ৱেব সাইটতগী চিংথদুনা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকবা হায়রি।

**কাউন্সিল(এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা ইং ২০২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা হয়ার সেকেন্দরি ইগজামিনেসনগীদমক মহৈরোইশিংগী লিষ্ট ওন লাইনগী খুত্থাংদা পীখৎলকপগী মতম থা অসিগী ২৫ ফাওবা শাংদোক্লে।

কাউন্সিলগী কনট্রোল্লরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-কেন্দিদেটশিংগী লাউন্দলোদ তৌরবা লিষ্টশিং বাবুপারাদা লৈবা কাউন্সিলগী ওফিসতা মরী লৈনবা চে-চাংশিংগা লোয়ননা প্রিন্সিপাল নৎত্রগা স্কুল অদুগী হেদনা পীশিল্লক্কদবনি।

**স্কুল (এল) ঃ** রাস্ত্রিয়া ইন্দিয়ান মিলিটরি কলেজ-ধেরাদুনদা ক্লাস আইটতা তম বগীদমক নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী এন্ত্রান্স পরিক্ষা চহি অসিগী দিসেম্বর তরেৎতা রাম লাল পোল হয়ারসেকেন্দরি স্কুল-ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি।

ক্লাস সভেন তল্লিবা নৎত্রগা সভেন পাস তৌরবা ইং ২০১৩ নৎত্রগা ১৫

ফাওবগী মনুংদা পোকপা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা পরিক্ষা অসি থাবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ এদুকেসন (এস) গী ওফিসতগী খঙবা য়াগনি।

**সংসদঃ** লোক সভানা ঙসি ইন্দিয়ান ইন্সটিটুট্যট ওফ মেনেজমেন্ট (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৫ পাস তৌখ্রে। বিল অদু সভাদা পুখৎলদুনা শিক্ষশ মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধাননা হায়-বিল অসিনা ইন্দিয়ান ইন্সটিটুট্যট ওফ মেনেজমেন্ট এক্ট ২০১৭ মখা তানা শেমদোকপা য়াহল্লগনি। মহাকা হায়-বিল অসিনা অসামগী গুৱাহাতিদা ইন্দিয়ান ইন্সটিটুট্যট ওফ মেনেজমেন্ট (আই.আই.এম) লিংনবা প্রস্তাব তৌরি। গুৱাহাতি অসি অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনদি য়ামা মরুওইবা মফম অমনি।

শ্রী প্রধাননা হায়-অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামনা লমদম অসিদা ইন্দিয়ান ইন্সটিটুট্যট ওফ মেনেজমেন্ট থমবা মতম কুইরবগী মমাংদগী দাবী তৌদুনা লাকপনি। ইন্দিয়ান ইন্সটিটুট্যট ওফ মেনেজমেন্ট-গুৱাহাতি অসিগীদমক লুপা কোতি ৫৫০ খাক্তুনা থমলে। মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিদা হৌজিক ইন্দিয়ান ইন্সটিটুট্যট ওফ মেনেজমেন্ট ২১ লৈ। মসিগী মথক্তা মপান লৈবাকশিংদা আই.আই.এম. হাংদোকপীনবসু দাবা তৌরকপা লৈরে। ইন্দিয়ান ইন্সটিটুট্যট ওফ মেনেজমেন্ট-দুবাই কেম্পস মথং থাদগী হৌদোক্লগনি।

গুৱাহাতিদা আই.আই.এম. লিংগদৌরিবা অসিদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা মনিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়-অৱাং নোংপোক লমদম, অফবগীদমক অওনবা কয়া পুরক্লি। অনৌবা আই.আই.এম. অসিনা লমদম অসিগী তুংগী মহৈরোইশিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনা হায়-আই.আই.এম. অসামদা লিংনবা লোক সভানা বিল পাস তৌখিবা অসি রাজ্য অসিগী ওইনা ঐতিহাসিক ওইনিংঙাইনি।

**সংসদঃ** বিহারদা হৌজিক চংথরিবা অখন্নবা ইলেক্তোরেল রোলগী ইনটেন্সিব রিভিজনগী মতাংদা সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম হঞ্জিন হঞ্জিন চরাংনবা থোকখি। সভাগী মীফম নোংমগী ওইনা য়েথোক্ত্রিঙৈ মমাংদা লোক সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা অহুমলক অমসুং রাজ্য সভাগীনা অমুরক য়েথোকখি।

অহুমলক য়েথোক্লুরবা মতুং নুংথিল পুং মরি তাবা মতমদা লোক সভাগী মীফম অমুক হন্না ফম্বদা বিরোধি দলগী সদস্যশিংনা বিহারগী ইলেক্তোরেল রোলগী মতাংদা খোল্লাউ কয়ামরুম লাউদুনা সভাগী ৱেল তমা চংশিল্লকখি। চরাংনবা মরক্তা সভানা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৫ পাস তৌখি। বিল অসি পাস তৌরবা মতুং অধ্যক্ষনা সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোকখি।

রাজ্য সভাদসু ফিভম অসি চপ মান্নখি। দিপ্যুতি চেয়ারমেন-হরি বন্সনা তোঙান তোঙাবা রাজনিতি দলশিংনা হীরম কয়াগা মরী লৈনবা এদজোরমেন্ট নোটিশ ২০ পুখৎলকখিবা অদু ককথৎখি। চেয়ারমেননা জিরো অৱার চংথনবা হোৎনখি। সভানা নুংথিল পুং অনিদা অমুক হন্না ফম্বদা মাইন্স এন্দ মিনরেলস (দিবলপমেন্ট এন্দ রিগুলেসন) এমেন্দমেন্ট বিল-২০২৫ পাস তৌবগা লোয়ননা সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোকখ্রে।

**ইলেক্সনঃ** হৌখিবা থা তরুক অসিদা ইলেক্সন কম্মিসননা লৈবাক অসিগী ইলেক্তোরেল প্রোসেস হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি অচুম্বা লম্বীদা পুরকবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

চেরোল অমদা ইলেক্সন কম্মিসননা হায়-থৌরাং অসি ষ্টেকহোল্ডরশিংগা খুৎশমদুনা ইলেক্তোরেল সিষ্টেমশিং চুমথোকবা হোৎনবা, টেকোলোজি শিজিন্নবা, ভোট থাদবদা লায়হনবা, ইলেক্তোরেল রোল চুম্বা মীওই খক য়াওহন্নবগীদমক মতম চংনা থবক কয়ামরুম পায়খৎলি। কম্মিসননা হায়-মথৌ

তৌদ্রবা রেজিস্তার তৌরবা শকখঙদ্রিবা রাজনিতি দলশিং মমিং ককথৎপা, মীখলগী মতমদা পোল্লিং ষ্টেসনশিং চাদা ১০০ ৱেব কাষ্টিং তৌবা, বিহারদা অখন্নবা ইনটেন্সিব রিভিজন পাঙথোকপা, রাজনিতি দলশিংনা খল্লকপা বুথ লেবেল এজেন্টশিং ত্রেন্নিং পীবা, বুথ লেবেল ওফিসারশিং অমসুং সুপরভাইজরশিং ত্রেন্নিং পীবগী থবক চথরি।

**দুরানঃ** ১৩৪ শুবা দুরান্দ কপকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা হৌজিক শিল্লোংগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শিল্লোং লাজোং এফ.সি অমসুং নোর্থ ইষ্ট যুনাইটেদতা শান্নরি। হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা ফাওবদা  নোর্থ ইষ্ট যুনাইটেদতা পাঞ্জল অমদা মাংজিল থারি।

অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা হয়েং কোলকাতাগী ভিবেকানন্দ যুবা ভারতি ক্রিরঙ্গন ষ্টেদিয়মদা দাইমন্দ হারবর এফ.সিগা ইমামি ইষ্ট বেঙ্গোল এফ.সিগা শান্নগনি। মেটচ নুমিৎ পুং তরেৎ তাবা মতমদা শান্নগনি। ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ২৩ দা শান্নগনি।

**ফুটবোলঃ** সব জ্নিয়ার বোইস নেসনেল চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ তা শরুক য়ানবা সব-জ্নিয়ার বোইসকী ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা, লাক্লিবা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭ মখায় তাবা মতমদা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

**খুম্মনঃ** ইং ২০২৬ কী ওইনা নেসনেল স্পোর্টস একাডমীগী ক্লাস সিক্সতা মিং চন্নবা খনগৎলবা মহৈরোইশিংগী লিষ্ট থোক্লে। লিষ্ট অসি ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসতা লাক্তুনা য়েংবা য়ারগনি হায়রি।